# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 12-04-2025)

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা থিবা হুন্দবগী থবক চখবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-তেংনৌপল জিলাগী য়াঙৌপোকপী মনাক্তগী ইনসার্স মেগজিন অনি, এ.কে. মেগজিন অমা, ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্স এম.এম. ইনসার্সকী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৪০, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম. এ.কেগী মরু ৩০, লেথোদ রাউন্দ তরুক, ইলেট্রিক্ট দিটোনেটর অহুম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং ফাগৎখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ফয়েং শম্বল লৈকাইদা থিবা হুন্দবগী থবক চখবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মিলিটরি বেল্ট, মিলিটরি বেগ, হেন্দ গ্লোব, ৱাকি টোকি সেট, স্লিপিং বেগ, কোম্বেদ জেকেট অমসুং টি-সার্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং ফাগৎখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হৈবোংলোক্তগী মেগজিন য়াওবা করবাইন অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি নোথ থ্রি রাইফল অমা, ঐচ.ই. হেন্দ গ্রেনেদ ১৮, পেরা বোম অমা ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই তরুক ফাগৎলে হায়রি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাগী সিংদা কুকি ভিলেজদগী মীওই অমা ফারে। মীওই অসি নেসনেল হায়ৱে টুগী আই.টি. রোর্ডতা ত্রক অমগী দ্রাইভরদগী শেল লৌনবা হোৎনরম্বদগী ফাবনি হায়রি।

মনিপুরগী দি.জি.পিনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস হেদক্বাটরদা চৎতুনা জিলা অদুগী শান্তি রক্সাগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে। মীফম অদুদা পুলিস পার্সোনেলশিংদা দি.জি. কমেন্দেসন দিস্ক অমসুং সার্টিফিকেটশিংসু

য়েন্থোকখি।

**মীতিং (এল) ঃ** আইনগী ৱাংমদা চথবা অরানবা থবক থৌরমশিং খঙদোক্নুনা অমসুং মতিক চাবা থবক লৌখৎনবগী মতাংদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা জিলা অসিগী এস.পি. ওফিসতা ঙরাং মীফম অমা পাঙথোক্নুনা খন্নখ্রে।

মীফম অদুদা জিলা অসিগী এস.পি. শ্রীমতি বাবিতারানি স্বাইন, এ.এস.পি, এস.দি.পি.ও, এস.ঐচ.ওশিং য়াওনা পুলিস পার্সোনেল কয়ানা শরুক য়াখি।

**ৱার্কশোপ (এল) ঃ** মনিপুরগী ইন্দষ্ট্রি এসোসিয়েসনশিংগী ওইবা মীতিং কম ৱার্কশোপ অমা ঙরাং ইম্ফাল লমফেলপাৎতা লৈবা ত্রেদ, কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রিগী দাইরেক্তোরেটতা পাঙথোকখ্রে।

টেক্সতাইল কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রিজগী এদিসনেল সেক্রেটরি-শ্রী অনুরাগ ভায়জপায়না সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মনিপুরগী উদ্যোগকী লমদা থেংনরিবা সমস্যাশিং কোকহন্নবগী মতাংদা খন্নখি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লাইরবা অমসুং তুহৎপীরবা মীওইশিংগী য়াইফনবা হোৎনবা, সব কা সাদ-সব কা বিকাশ হায়বা মন্ত্র অমসুং য়াইফনবা থবক পায়খৎপগী থৌওংশিংনা সরকার অসিগী মরুওইবা থৌশিল ওইরি।

মধ্য প্রদেসকী অশোক নগরদা লৈবা শ্রী অনন্দপুর ধামদা ঙরাং ভক্তাশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি গরিফ কল্যান য়োজনা, আয়ুসমান য়োজনা, প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা অমসুং জল জিবন মীসননচিংবা তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং লাইরবা অমদি শোত্থনা লৈরিবা খুন্নাইগী কাংলুপশিংগী য়াইফনবগীদমক পায়খৎলি।

অকোইবগী ফিভম কায়হন্দনা থমবগীদমক এক পের মা কে নাম কৌবা কেম্পেইন অমা হৌদোকখিবগী মতাংদসু মহাকা পনখি। শ্রী মোদিনা হায়-ঙসিগী চাউখৎলবা মালেম অসিদা ঐখোয়না লান, উংখৎনবা ফিভমনচিংবগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা শিংনবা কয়া মায়োকরি।

**অমিত ঃ** বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-২০২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা তামিল নাদু বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা এ.আই.এ.দি.এম.কেগা চুংশিন্নদুনা চৎমিন্নগনি।

চেন্নাইদা ঙরাং পাউমীশিংগা ৱারী শান্নবদা শ্রী সাহনা হায়-নরেন্দ্র মোদি সরকারনা তামিলগী নহাশিংবু য়ু.পি.এস.সিগী পরিক্ষাদা তামিল লোলদা পরিক্ষা থাবা য়াহল্লে।

দি.এম.কে. সরকারবু তামিল লোলদা মহৈরোইশিংবু মেদিসিন অমদি ইঞ্জিনিয়ারিং তম্বা য়াহন্দবগীদমক মরাল শিখি। দি.এম.কে. অমসুং কংগ্রেস পার্টি অসি মীয়ামদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহনবগী মহুৎতা মখোয় মখোয়গী মশাগী ওইবা এজেন্দাশিংদা হেন্না মীৎয়েং চংই হায়নসু সমালোচনা তৌখি।

মরক অসিদা, এ.আই.দি.এম.কেনা এন.দি.এদা য়াওনবা ৱারেপ লৌরকপদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী মোদিনা হায়-এন.দি.এগী অতৈ মপাংশিংগা লোয়ননা তামিল নাদুবু চাউখৎপগী খোঙজেল হেন্না য়াংশিলহনবগা লোয়ননা মীয়ামগী সেবা হেন্না নিংথিনা তৌবা ঙমহল্লগনি।

**জয়শঙ্করঃ** ভারত অমসুং আমেরিকানা টেরোরিজমগী মায়োক্তা পুন্না থবক পায়খৎমীন্নরকপগী থৌওংবু মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

আমেরিকাগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট-মারকো রুবিয়োনা সোসিএল মেদিয়াদা

টৌইন্তি সিক্স এলভেন মুম্বাই এটেক্তা মপুং ওইনা চেন্নবা তাহৱুর হুসেন রানাবু লৈবাক অসিদা শিন্নরকপগী মতাংদা থাগৎলকপা ৱারোল অমগী পাউখুমদা শ্রী জয়শঙ্করনা হায়-থৌওং অসি এটেক অদুগী চৈথেং ফংলবা মীওইশিংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবগী অচৌবা খোঙথাং অমনি।

শ্রী রুবিয়োনা মহাক্কী সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অদুদা হায়-২০০৮ কী মুম্বাইগী তমথিরবা টেরোরিষ্ট এটেক অদুদা চেন্নবগীদমক মহাক্কী ফংফম থোকপা চৈরাক ফংহন্নবগীদমক আমেরিকানা তাহৱুর রানাবু ভারত্তা শিন্নবনি। মহাকা হায়-ভারতকা লোয়নননা আমেরিকানা তেরর এটেকশিং অদুনা শিখিবা আমেরিকা মচা তরুক য়াওনা পুন্না মীওই ১৬৬ কী মফমদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।

**দিআরদিওঃ** দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি.আর.দি.ও) না সু-৩০ এম.কে.আই. ইয়ারক্রাফটতগী লোং রেঞ্জ গ্লাইদ বোম-গৌরফ থাদবগী চাংয়েং মায় পাকা পাঙথোকখ্রে।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী মতুং ইন্না চাংয়েং অদুদা কিলোমিটর ১০০ ফাওবগী অরাপ্পদা লৈবা পান্দমফমশিংদা চপ চানা য়ৌহনবা ঙম্মী হায়বদু মায় পাকা উৎখি। গৌরফ অসি কিলোগ্রাম লিশিং অমা লুম্বা গ্লাইদ বোমনি। মসি চান্দিপুরদা লৈবা রিছার্স সেন্টর-ইমরাট, অরমামেন্ট রিছার্স এন্দ দিবলপমেন্ট ইস্তাবিষ্টমেন্ট অমসুং ইন্টিগ্রেটেদ টেষ্ট রেঞ্জনা পুন্না শামীন্নবনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

দেমোগ্রাফিক হোংলক্তুনা য়েলহৌমীশিংদা শিংনরি হায়না ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম মনিপুরনা ন্যু দিল্লিদা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সঙাই এক্সপ্রেস এদিসন অনিমক, পোকফম অমসুং পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদ লাইন

ওইরি।

রেলৱে প্রোজেক্টকী মতাংদা এম.পি. সনাজাউবনা পুখৎখিবা ৱাফমগী পাউখুম পীরকখ্রে, ইম্ফাল জিরিবাম-রেলৱে লম্বী শেম্বগী থবক অথুবদা লোয়শিনগনি হায়না মিনিস্তর ওফ ষ্টেট-রাভনিট সিংহ্ ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সনা লৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মহারাজ নরা সিংহ লৈখিদবগী ১৭৫ শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না পাউনা মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মহারাজ নরা সিংহ লৈখিদবগী ১৭৫ শুবা কুমওন পাঙথোকখ্রে। লংথাবালগী কোনুং শেমগৎনবা অয়াবা লৈরে হায়না আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার-এম. জয়না ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ৱাকফ এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০২৫ গী মায়োক্তা খোঙজং চংশিনবা লেপত্রি। ৱাকফ এমেন্দমেন্ট এক্ট হন্দোক্ত্রগদি ইথন্ত শিজবগী খোঙজং ফাওবা চংশিল্লকপা য়াই হায়না মীতৈ-পাঙল কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট-হজি অরাফতনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। এন.পি.পিনা ৱাকফ এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০২৫ রিজেক্ট তৌই হায়না পার্টি অসিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট-ৱাই. জয়কুমারনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউ অসিগী শরুক অমা ওইনা বোক্স আইটেম ওইনা ফোংলি।

মিনিস্তর ওফ ষ্টেট ফোর দিফেন্স-সঞ্জয় সেথনা কামজোংদা নাগা অমসুং কুকি সি.এস.ওশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে হায়বা পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা সর্স ওপরেসনদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপগী পাউ, পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মিলিটরি জন্তাগী কোর্টনা ম্যান্মারদা লান হৌরিবা তরুক শিবগী চৈরাক পীখ্রে হায়বা পাউ অমনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-ফ্রি মুভমেন্ট গুরুং চৎপদগী গাড়িসু লোংলে।

কাংপোকপী লান্থোকবা আলু বোড়া মরক্তা তোংলকখিবা মীওই ত্রক লোংবদা শোক্লে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নোনেদা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক শিজিন্নবা থিংনবা ৱার্কশোপ পাঙথোকখিবা পাউ মোরনি বেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

লন্বীগী খুদোংথিবা অমদা কুকি-জো কাংলুপনা শোক্লবা মীতৈ অমা কনখ্রে হায়বা গানফিয় মেলগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

তমেংলোং টাইমসতা-কোনসারম ভিলেজ ওথোরিতিনা এপ্রিল ১৪ দা জেলিয়াংরোং ত্রাইবশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা কুকিশিংনা চখরিবা থবক্কী মায়োক্তা লৌখৎকদবা খোঙথাংশিং খন্ননবা ফোংদোকখ্রে হায়না মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসনগী হান্নগী প্রসিদেন্ট-পেত্রিক আলিয়ু পাউ লৈখিদ্রে, এন.পি.ওনা নুংঙাইতবা ফোংদোরকপগী পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।